সঙাই এক্সপ্রেস

য়ান্না ইকাইনিংঙাইনি

য়ান্না নুংঙাইতবা, তাবদা তুজুংবা, মীওইবগী লীচৎ নত্তবা থৌদোকশিং মালেম অসিদা হেক হেক থোক্লবগুম লৈবাক অসিদসু হেক হেক থোকই। অদুবু হন্দক্কি থৌদোক অসিদি মালেমগী মমাঙদা য়ান্না ইকায়নিংঙাই ওইবা থৌদোকসু ওইরি। মী অমনা নীংলিবা লাই অদু অমদি চৎলিবা লাইনিং অদু মান্নদে হায়বা ৱাফমদা নুপী অমগী নুপী ওইবীগী ইজৎ হন্না হন্না মাঙহন্দুনা হাৎপনি। হেন্না নুংঙাইত্রিবদি নুপী অদু নুপী নত্তে, অঙাংনি, চহী নিপানখক্তা ঙাইরিবা। পীক্লিবা অঙাং অদুদি মহাক মুসলিমনি নৎত্রগা হিন্দুনি হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওবা লৈরমখিরোই। অদুবু মহাকপু ফারগা পুরগা নুমিৎ কয়ানি থমজিল্লগা হন্না হন্না চৎহৈদবা লীচৎ চৎখিবনি। মহাক্কী মথক্তা চথখিবা চৎহৈদবা লীচৎশিং চৎখিবা মীওইশিং অদুগী থম্মোয় অদু করম্বা থম্মোয় পানবনো হায়বদু খঙদে, অদুবু অঙাং অদুনা নংখিবা মখল মখা কয়াগী চৈনা অদুদি মালেমগী মীয়ান্না তাবদা থক–থক নীক্কনি। নৈহৎপীবা অদুনা হেনমনবনা লৈখিদবদগী মহাক্কী খাঙঙমদ্রবা চৈনা অদুদি কোকখি হায়ববু মদুগী চৈনা অদু মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবগী ৱাখল চেনবা মীয়ামদদি মতম কুইনা অদুমক লৈহৌরগনি। মঙোন্দা চৎখিবা লীচৎ অমদি মহাক্লা নংখিবা চৈনা অমদি কোন্না লৈখিদবা অদু তশেংনা নুংঙাইতবা অসিদা মথোই হাপ্লিবা অমদি অদুক পীকখ্রবা অঙাং অমদা চৎখিবা লীচৎ অমদি মীহাৎ অদুগী মতাংদা পোলিটিকল ক্লাসনা লূন্না লৌদবদা নত্তনা তমথীরবা ক্রাইম অদুবু লোইশিন্দুনা থন্নবা হোৎনবগী মওং অসিনি। মসিনি য়ান্না ইকায়নিংঙাই ওইবনি, মালেমগী মাঙদা মায় হাইগৎপা ঙমদবনি হায়রিবা অসি মসিদনি। অসুক য়ান্না কি–তূক্কচ্চনিংঙাই ওইবা থবক অসিদা সেক্যুরিটিগী মীওই চেন্নৈ হায়বসিনা চুল্লবদি লৈবাক অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাঙদা ৱাহং কয়া হংবা য়ারে। লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা লৈরিবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা লো থুগাইরবা অমদি মদুসু লাইনিং–লাইশোনগী ৱাফমসু য়াওবা অমদি মখোয়না চৎলিবা লীচৎ অদু তাইবংগী লৌশিং মপূং ফাদ্রিবা অমদা। অমুক্কা হেন্না নুংঙাইত্রিবা অমনা মালেম অসিদা থোক্লিবা ক্রাইমশিংগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না তমথীবনি হায়না লৌবা য়ারবা ক্রাইম অসিগী মতাঙদা কোর্টতা লাকপা মতমদা অঙাং অসিগী কেস লেপ্তুনবা জম্মুগী উকিল কাঙবু অমনা কন্না হোৎনরকপা অসিনি। তশেংনমক্তি য়ান্না কা হেন্না নুংঙাইতবা থৌদোক অসি চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারি থাদা থোকখিবনি। অদুবু অসিফা বানোগী কেস অসি মীয়ান্না খঙনরকপদি হৌজিক্তনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টরনা মসিগী মতাংদা থোইদোকপা থবক লৌখত্তনা লাক্লবসু মেদিয়াগী অমদি কনাগুম্বা খরদদি অকিবা পূন্নমক থাদোক্তুনা মালেম অসিদা ৱারী অসি পুথোরক্লি। অসিফা বানোগী ৱারী অসিমক্তি মালেম অসিগী লৈরিবা মীওইবা সোসাইটিগী মমাঙদা য়ান্না ইকায়নিংঙাই ওইবনি, ইন্দিয়ানা মায় হাইগৎপা ঙমহন্দবা ৱারীনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চুন্না কন্দেম তৌবতা নত্তনা মরাল লৈবা অমতা লেন্না থারোই হায়খিবা ৱাফম অদু ঙাক্লা থবক্তা অথুবা মতমদা ওঙ্ঘোকফম থোকই।

করিগী পীক্লিবী অসিফাবু অদুক তমথীবা লীচৎ চৎখিবা, করিগী নুমিৎ কয়ানি ফাজিন্দুনা নৈখিবা, করিগী শিহনখিবা হায়বদু থোইদোক্লা হায়নদ্রবসু অসিফাগী ফুরুপতা য়েংলিবা মিৎয়েং অদুদি ইন্দিয়াগুম্বা দেমোক্রেটিক কন্ট্রি অমদা, ইন্দিয়াগুম্বা সেক্যুলরিজম চৎপনি হায়না চাউথোকচরিবা লৈবাক অমদদি তাবখক্তদা নামুংবা হায়বদুনি হায়বদা লান্নিংঙাই ওইদে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈবাক অমগী ওইনসু য়ান্না ইকায়নিংঙাইনি। নুপীমচা অমবু ফারগা পুরক্তুনা দ্রগ শীজিন্নরগা পঙথহনবা, নুমিৎ কয়ানি ফাজিন্দুনা থম্বা অমদি হন্না হন্না নৈহৎপী, মদুনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা, পূন্নমক অসিগী মথক্তা অসিগুম্বা কিনিংঙাই ওইবা থবক অসি লাইশঙ অমগী মনুংদা চথরম্বা হায়বসিমক্তি হান্না নীংথিনা থৌরাং তৌরগা চথখিবা থবক্লি হায়না লৌদবা য়ারোই। থবক অদু সেক্যুরিটিগী মীওই খরখক্লা থৌরাং তৌরগা চথবনি হায়না কোন্না লৌবসু য়ারোই। সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা অসিগুম্বা থবকশিং অদু মখোয় মশাগী ওইবা অপাম্বনা চথবনি হায়না লৌরফাওবদা য়ান্না কিনিংঙাই ওইবনি অদুবু চহী নিপান্দা ঙায়রিবী নুপীমচা অমবু ফাদুনা পুরল্লগা লাইশঙ অমগী নুমিৎ কয়ানা দ্রগ থাদুনা লাক্লখিবা হায়বসি সেক্যুরিটি ফোর্সকি মীওই খরখক্কী খুজিন থৌরাংদা চথবা য়াবা নত্তে। সেক্যুরিটি ফোর্সকি মীওই খরগা লৌতুনবা থবক্লি হায়বদা লান্দ্রবা থবক অসিগী মতাঙদা হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরিবদি নুপীমচা অসিগী কেস অসি কোর্টতা লাকপা মতমদা জম্মুগী উকিল খরনা থিংনবা হোৎনরকখিবা অসিনি। লৈবাক অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লা লৈহনবদা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌরিবা প্রোফেসনেল ফুরুপকি মীওই খরনা চথখি হায়রিবা থবক অসিনা চুল্লবদি মসিমকসু মালেম অসিদা ইন্দিয়ান মায় হাইগৎপা ঙল্লোইদবা থৌওংনি। অদুনদি ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা তাকপদি নুপীমচা অদুদা থোকখিবা থৌদোক অমদি চথখিবা থৌওং অদু য়ান্না ফজনা থৌরাং তৌরগা অমদি মদুসু অৱাংবা থাক্কী মীওইশিং য়াওরগা চথখিবনি হায়বদা লান্নিংঙাই ওইদে। মশা করি ওইরি, মশাদু হিন্দুরা মুসলিমগা হায়না খন্নবগী শক্তি লৈত্রিবী চহী নিপানগী নুপীমচা অমদা চথখিবা থৌওং অসিমক্তি কনাগুম্বা খরনা অমদি মদুসু শক্তি লৈবশিং য়াওনা লমদম অসি মখোয়গী অপাম্বা মচু শেন্নবা অমদি মখোয়গী অপাম্বা লম্বীদা চৎনবা হোৎনবদি হায়না মালেম অসিনা লৌগনি। মসিমকসু য়ান্না ইকায়নিংঙাই ওইবা ফীবমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী নাঙ্ঘোক্লবা হায়বদি কোকহন্নবা থবক শুকশোয় শোয়দনা অমদি অথুবা মতমদা লৌখৎপা তাই। মপাঙ্গল কনবা লো লৈহনবা তাই, লো অদুবু শীংনরিবা পূন্নমক অমদি লো অদুবু চৎননবা হোৎনগদবা হোৎনদ্রিবা পূন্নমক খ্বাইদগী হেন্না কনবা চৈরাক ফংহন্নবা থবক লৌখৎপা তাই। মফম মফন্নদি হায়ববু চহী খরগী মমাঙদা দিল্লিদা থোকখিবা মালেম থক থক নীকখিবা নির্ভয়া রেপ এন্দ মর্দর কেসতা চেন্নবশিংগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না তমথীখিবা মীওইদি চহী শুদ্রিবা হায়বদি মাইনর ওইরিবা এক্যুজ অদুনি হায়বা ৱাফম অমা লৈরিবা অসি মাইনরনি হায়দুনা ফংফম থোকপা মরালগী চপ–চাবা চৈরাক ফংহন্দবগী ৱাফম লৈরিবা অসি নৌহৌননা য়েংশিনবা তাই। চহী মপূং ফাদ্রি হায়রবসু খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা, তাবদা তুজুংবা, কি–তূক্কচ্চবা থবক চথবা মীওইবু ফংফম থোকপা চৈরাক অদু চপ–চানা ফংহন্নবা থবক লৌখৎনবা লৈবাক অসিনা হোৎনবা তাই।

আর্টিকল ইবিরকপশিংদা খঙহঞ্জবা

সঙাই এক্সপ্রেস (মণিপুরী এডিসন)তা হাপ্পনবা আর্টিকল, শৈরেং, ৱারীমচা অমদি চিঠিনচিংবা থাবিরকপা মতমদা অদোম–অদোমগী অইবা অদু পাবা থোক্লবা ময়েক শেংনা ইবিরক্লবা নৎত্রগা নমথোক্লগা পীবিরক্লবা খঞ্জহরি। জেরোক্স কোপি ওইনা পীরকপা অমত্তা ফোঙজরোই। লোয়ননা ইশাগী মিং, লৈফম অমদি মোবাইল নম্বর শোয়দনা নীংথিজনা ইবিরক্কদবনি।

মৈতৈশিংগী মিঙ্গৌ–থাগৌ

—।। তোংব্রম চন্দ্রকালা দেবী।।—

মৈতে লৈবাকসিদা খুন্দা লৈতাদনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা, মৈতে মচাশিংগী কৌনরম্বা থাইনগী মীঙ্গৌ–থাগৌবু মতমগী ঈরোলনুংদা লুপশিল্লক্লি। তাবদা ৱারবা মীঙ্গৌ কয়ানি। মতম খরগী তুংদা করি মরী থোক্নে। করি হায়না কৌগনি, হায়বসি খঙলক্লরোই হায়বগী ৱাখলদা অকি–তুজুংবা পোকহল্লে। ঐখোয়গী ইপা–ইপুশিংগী হাক্তক্তগী নুংশিনা কৌনরম্বা, চৎন–পথাপ লৈজবা মৈতৈগী লৈরক্লবা মতমসিদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা থকসি–খাসি ঙাক্লা কৌনরম্বা ফজরবা ৱাহৈ–ৱাতাগী মীঙ্গৌদি নোংম–নোংমগী মাঙথরক্লি। লৈবাক অসিদা ওইরক্কদবা তুংগী লম্বী উরদুনা অৱাবা কয়া মাইয়োক্লদুনা থৱায়না পোম্বা পীনরি। মীগী মমাদা ইমা কৌদনবা ময়েক শেংবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনরিবনি।

লায়না লৌরিবা, অনৌবা মীঙ্গৌ–থাগৌ চংলক্লিবা অসিবু মতম লৈরিঙৈদা শেমদোকপা মথৌ তারি। মশা–মশানা, ইমুং–মনুংগী অহল লমননা মাগী–মাগী শুমাঙ শিৎচবা মতম ওইরে। অঙাং হায়বসি ইরৈবাক অসিগী তুংগী যূম্বী ওইহৌগদৌরিবনি। মীতোপ–মীয়ানচা তাঙ্ঘোক্কদবনি, খন্দোক্কদৌরিবনি হায়বগী খোল্লাও কয়া লাওনরি। মীগী মরোল লোনয়াম চৎনবী মীঙ্গৌদি লৈবাকসিগী মীওইশিংগী চীন্দা পক্তুনা লৈরিবনি। খ্বাইদগী লুরিবদি ইচা হান্না ৱারক্কদবনি হায়বসিনা অহানবা ওইনা থমগদবনি। ঐখোয়গী মীঙ্গৌদি ঈ হায়বা য়াম্না নক্লবা, তৎন–থানবা য়াদ্রবা নুংশিনবগী লিপুল অমা য়াওরিবনি।

ইপুধৌ–ইবেন্ধৌ, ইপু–ইবেন, ইপুপোক–ইবেনপোক, ইপা, ইমা হায়বা মীঙ্গৌ অসিবু নমথবদি চুমদে। ইপুগী ময়াম্বদা ইপুপোক, ইপুয়াইমা, ইপুদোন কৌনরিবনি। ঐবু পোকপীবা ইপাগী ময়াম্বা অহলদা ইপনধৌ, ইপনয়াইমা, ইপাতোন কৌনরি। মখা তাবা মনাউশিংদা খুরাহল, খুরায়াইমা, খুরাতোন কৌনৈ।

ইপুশিংগী লোইনবীশিংদা ইবোকয়াইমা, ইবোকতোন কৌনৈ। ইপা–ইমানা পোকপীবা নিংঙোল–পিবাশিং অসি ইচিল ইনাও কৌনরিবনি। পিবানা অহল ওইরবদি তাধন, তাচৌ, তায়াইমা, তাতোন অসুম্না কৌনৈ। নুপীদা ইচেহল, ইচেয়াইমা, ইচেতোন হায়নরিবনি। ইবুং–ইম্বা, ইচে–ইচল নুংশিখ্রবা মীঙ্গৌনি।

মবুংগী নুপীদি ইনম্মহল, ইনম্ময়াইমা, ইনম্মতোন কৌনৈ। ইপাগী মচে–মচলং–ু ইনেহল, ইনেয়াইমা, ইনেতোন নৎত্রগা ইনেচা হায়নৈ। ইমাগী মবুং–মৌপ্পাবুনা মমাহল, মাময়াইমা, মামতোন। মখোয়গী নুপীশিংদা ইনে, ইন্তোন কৌনরম্মী। ইমাগী মচে–মনাওশিংদা নৎত্রগা ইপাগী মতৈমা, মনাওনুপীশিংদা ইমাবোক, ইমাহল, ইন্দোনয়াইমা, ইন্দোমচা নৎত্রগা ইমাতোলসু কৌনৈ।

ইমাগী মবুং–মৌপ্পাশিংদা ঐখোয়গী ইপা, পাজিনা মবুংদা ইবাইহল, ইবাইয়াইমা, ইবাইতোন নৎত্রগা ইবাইচা হায়নৈ। মবুংগী মচানুপাদা ইতৈ–ইখা থাবদা ইনাউ হায়না কৌনৈ।

হৌজিক্কী মতমদদি কৌনরিবা মীঙ্গৌ অসি অতোপ্পা জাতিগী মীওইশিংনা তারগা মীতৈশিং অসিবু মশাগী ওইবা মীঙ্গৌ–থাগৌ লৈজদবরা হংবা য়ারবা ৱাহংনি। ইনক নক্লা খূৎনা লাম্বা ফংবা শাগোন্নরিবা ইচা–ইশুবু অফ–ফত্ত তাকপী তম্বীবা হায়বসি অহল ওইরিবা ইমুংদুগী মীশিংগী হকনি হায়না খনফম থোকই। মশুশিংনা ‘দৌ–দৌ’ হায়রগা মপুশিংনা নোক্তুনা ‘শু–শু’ হায়না নুংশিনা খুম্নরিবনি। অপোকপা মপাবু, দেদি হায়না কৌনরিবা, মমাবু মম্মি নৎত্রগা মমা, মমা কৌনরি। ইচানা কৌরিবা মীঙ্গৌসি মতম চারিঙৈদা চুমথোকপিগে হায়বগী ৱাফমদি কনাসু খন্নদে। অপোকপা মপাগী মনাওদা কাকা, অঙ্গল, মখুরাগী লোইনবীশিংদা চাচা, চাচি, অন্তি কৌবগী মশীং নোংম–নোংমগী হেনগৎলক্লি।

মবুংগী নুপীনদা ভাবি হায়নসু কৌনবা য়াওরি। মচেবু লৌরিবা নুপাদা নুপী মচাশিংনা কেথনা ইবাই হায়রি। খরনা ঈতৈগী মহুত্তা তামো কৌনরি। চৎনবী অমা ওইনা মবুংদা তামো, মৌপ্পাদা ইনাওপা, মচলদা মবুংশিংনা ইনাওনুপী কৌই। মহুৎ শিনবা, মীতৌ তম্বগী ৱাফমসি য়াম্না খুমাং চাওশিল্লক্লি। ইপা–ইপু, লাই–গুরুশিংগী তুংইঞ্জদুনা মৈতৈগী ওইবা তোপ–তোপ্পা লৈজরিবা মীঙ্গৌ–থাগৌ অসিবু কৌজবা মীওইশিংবু চাওখত্তবা লৱায়–থৱায়গী মীওইনি হায়বগী নোক্লবিরি। মৈতৈগী ওইবা লৈবাকসিগী মমল য়াম্লবা লোল, ইনাৎ, চৎন–পথাপ লৈজে হায়দুনা চাউথোকচরিবা অসিবু মমি শামথরক্লবা হীরম অমা ওইরক্কনি হায়বগী অকিবা লৈরক্লবা মতমনি।

মমা–মপা ওইবশিংনসু মচাবু ইবুংঙো–ইবেম্মা হায়না নুংশিনা কৌবদগী বোই, বেবী হায়না কৌবনা হেন্না নুংশিনা কৌবগী মওংদা লৌনরি। তাজৌ নৎত্রগা তাধন হায়না কৌবা মীঙ্গৌবু ইকায়নবগী মওংদা চথরক্লি। অসিগুম্বা অপীকপা হীরম অমা ওইনা থৌশাদনা য়োকখৎতুনা থল্লিবা অসিনা মৈতে ফুরুপ অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লোয়ননা লৈজরক্লবা মীঙ্গৌ থাগৌসি মাঙখ্রগনি। হৌজিক্কী অঙাংশিংদা কনাদা করি কৌগনি, করি থোক্নে হংলুবা মতমদা অরুবা পাউখুম অমা ওইগদৌরিবনি।

মালেমগী মফম কয়াদা চত্তুনা মহৈ–মশিন তম্নদুনা অফ–ফত্ত চৎন–কাংলোন নীংথিনা খঙলবা মীওই কয়া লৈবাকসিদা লৈরিবনি। মাগী মাগী লৈবাক অদুগী চৎলিবা তোঙান তোঙান্না লৈরিবনি। ইরমদমসিদা মীরৈবাক্কী লোনয়ান কয়ানা মপূং ওইনা শীজিন্নবগী হৈনবিদা খুমাং চাওশিল্লক্লি। খঙন–খঙনা খঙশিন্নদবা, উন–উন উশিন্নদবা লিচৎ অমা ইশাগা শাগোন্নরিবা অসিনা ফিভম অসি য়ৌরক্লিবনি।

মতম খরগী তুংদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ঐখোয়বু মখোয়গী চাদা–নাওদানি হায়রকপা য়াবগী লম্বী অমা য়াৎলবনি। মীঙ্গৌ–থাগৌ অসিনা ঐখোয়গী হৌরকফম অসিবু মীতোপশিংগা তোৎন–তিন্নদুনা হিংমিন্নরক্লে হায়বগী লেঙদ্রবা খুদম ওইবসু য়ারিবনি। মীতোপ খন্দোকপগী ৱানরিবা অসিদগী লোনয়ানগী মীঙ্গৌ–থাগৌশিং অসি খন্দোকপসিনা হেন্না খুদোংথিবা ওইরক্কদৌরিবনি। অঙাং হায়বসিদি করিশু খঙজদ্রিবনি। অহল–লমনশিংনা ইবুংঙো ইবেম্মা নঙনা কৌরিবা মীঙ্গৌদু লাল্লে তৌহৈদে হায়বিরবদি মতুংদা অমুক হন্না কৌররোই।

নীংথিনা তাকপী তম্বীহৌবনা তুংগী মীরোলদা ঐখোয়গী ইপোৎ ইরলশিং অসি ময়েক শেংনা থম্বীরম্বনা অচুম্বা লম্বী তাকপীবা ওইহৌগনি। মীগী মচানা কৌবা লোনয়ান্দু তারগা ঐগী ইচানা কৌবা করিসু কায়দে হায়বগী ৱাখল্লোন অসিনি মাঙননবগী মরু হুনবা ওইগদৌরিবসি। ইচা–ইশুগা কেনবদা মীরোলগী মপাল তাংদ্রবসু ইরোন্না নুংশিনা কেনজবসু য়াই। লাল্লিবদি অহল–লমন, ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনি। ইচা–ইশুবু লোয়নবিবদা ইরোন অমসুং মীঙ্গৌনা মরিক চুম্না ঙাঙনবদা থোইনা ৱাৎকদবা লৈতে।

নীংথিনা তাকপী তম্বীহৌবনা তুংগী মীরোলদা ঐখোয়গী ইপোৎ ইরলশিং অসি ময়েক শেংনা থম্বীরম্বনা অচুম্বা লম্বী তাকপীবা ওইহৌগনি। মীগী মচানা কৌবা লোনয়ান্দু তারগা ঐগী ইচানা কৌবা করিসু কায়দে হায়বগী ৱাখল্লোন অসিনি মাঙননবগী মরু হুনবা ওইগদৌরিবসি। ইচা–ইশুগা কেনবদা মীরোলগী মপাল তাংদ্রবসু ইরোন্না নুংশিনা কেনজবসু য়াই। লাল্লিবদি অহল–লমন, ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনি। ইচা–ইশুবু লোয়নবিবদা ইরোন অমসুং মীঙ্গৌনা মরিক চুম্না ঙাঙনবদা থোইনা ৱাৎকদবা লৈতে।

হান্না লান্না তৌরম্বা হৌজিক্কী মীরোলনা চুমথোকপা

—।। য়ুম্নামচা খুরাইহোংবা (সুর্জিৎ) মৈতৈ।।—

ঙসিদি সনা লৈবাক মণিপুরদা হান্না লৈজরম্বা লাইনীং লাইশোল খূদিংমক ওঙ্ঘোক্তুনা মীঙোন্দগী তাংলগা হিংবা ইশাগী ফিরেপ চুম্না লেপ্পা ঙমদবা মীখা পোন্না হিংবা পুন্সি মহিং অমা ওইরে। য়াম্না নুংশি চান্ননা মৈতে, মীতৈ চীংমী অমদি মৈতে পাঙল অহুম অসি মচিন–মনাও ওইনা নুংশি চান্ননা লৈরম্মী। ইখং–খঙহৌদনা রমান্দি ধর্ম্ম শন্দোকপা লাকপা শান্তদাস গোষাই কৌবা ময়াং লম্বোইবা অমনা রমান্দি ধর্ম্ম পুশিল্লক্তুনা মমাঙথক্তগী নুংশি চান্ননা লৈরম্বা মচিল–মনাও ওইবগী নুংশিনবা অদু মহাক্লা উবদগী মহাক্লা পুরকপা ধর্ম্ম অদু শন্দোকপা য়ানবা হায়দুনা মহাক্লা রমান্দি ধর্ম্ম চৎলু হায়বা য়াবা মীনা শেংই, য়াদবা মীনা মাংই হায়দুনা ঙবোং খাউদা নমশিন্দুনা হাৎপা, য়াইরিনা লেংদুনা হাৎপা মসিদা নত্তনা মখল কয়াগী চৈনা চৈথোং কয়া মতমদুগী নিংথৌগী লৈঙাক মখানা পীখি। মদুনা মরম ওইদুনা হান্না নুংশি চান্ননা লৈরম্বা মৈতে চীংমী অমদি মৈতে তম্মী অনীসি মচেৎ মচেৎ তানা থুগায়বা হৌরকখি। মৈতে / মীতৈ, মৈতে চীংমী ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা য়াম্না লূরবা পুয়া কয়া অমদি ঐখোয়না য়াম্না লূনা খঞ্জবা ইপা–ইপুশিংনা লাৎলম্বা লাইফম কয়া থুগায়দুনা মাঙহনবিখি। মমৈথংদা মহাকপুসু নিংথৌগী মনাই অমনা গোষাইবু মহাক্লা পায়রকপা খুজাইনা থোমদুনা হাৎখি। খুজাইনা থোমদুনা শান্তদাসপু হাৎখিবা মফম অদুবু ঙসিফাওবা ‘খুজাইরেক’ হায়না লৈরি। অহল লমন অমদি ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পুয়া কয়া পারুবা মতমদা থেংনবদদি শান্তদাস গোষাইনা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা লাইফম খূদিংদা লাৎলিবা লাই খূদিংমক মখূৎ মখোং পাল্লম্মী। মসিগী মরম মহাক্লা ঐখোয়গী মতমদুগী নিংথৌদা হায়জিন্দুনা লাইফম খূদিংমক থুগাইয়ু হায়না হায়রকপা মতমদা ইপা ইবুংঙোং সনামহিগী শক্তম থুগাইবা মতমদা মখূৎ নাম্মা মখোং নাম্মা পাইখি হায়না হায়রিবা অসিনা তাকপদি হান্নগী লাইশিং অসিগী শক্তম অসি মখোং মখূৎ পাল্লি তাকপনি। হৌজিক্লা পান্দ্রিবগী মরমদি ঐখোয় খূদিংমক শুমদুনা থম্বনি, মতমদুদা শান্তদাস গোষাইনা লৈপাক্কী ইনিংথৌদা চিরোল তৌদুনা থম্মাইশিনখিবদু কোক্লবা মচা মশু ওইবা ঐখোয়না হৌজিক্তি লাৎলিবা লাইফম খূদিংমক্তা লৈরিবা শক্তম খূদিংমক মখোং মখূৎ ৱাৎতনা হাপ্পা তাবনি। মসি তৌরবতদা ঐখোয় মীকপ থোকপা হায়বদু ওইগনি। ঙসি ঙসিমক লৈবাক অসিগী ইনিংথৌ অমদি লৈবাক্কী থৌগাই পুরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হান্ননা চীং অমদি তমদা লৈবা লাইফম ৩৬ শারগনি হায়না লাওথোকপীখিবা অদু মরুওইবা লাইফল্লেন ৫০ শানবগী অয়াবা মূন্না খন্নবিরগা মফম কয়াদা চাইথোক্তুনা লৈহৌরিবা পুয়া কয়া কংলাদা পুখৎলু হায়না লাওথোকপীনবা অমদি ঐখোয়গী চৎন–পথাপ, কাঙলোন, লাইনিং লাইশোন লেপথোকপীনবা হায়জরি।

লোয়ননা লায়রবা য়ুম ইঙ্খোল লৈজদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা ঙসিগী লৈঙাক্লা লাইফমলেন শেমগৎলক্কদবা মফমগী অকোয়বা চীংখোংগী মনাক্তা মফম চাবা থেন খল্লগা য়লম শাবিদুনা লাইফমলেনশিংবু মপু অমগুম ঙাক শেলহনবিয়ু। হায়রিবশিং অসি পূন্না লাওথোকপীনবা মরী লৈনবশিং ইবুধৌ মার্জিং ইবেন্ধৌ খুমুলেম্বা, ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা ইবেন্ধৌ লাইস্না থৌগল লোয়শঙ, কংলা ফমথৌগী মাইচৌ মাইনৌ, উকলগী, হিরিকোনগী, লাইনিংথৌ সনামহি ইমা লৈমরেন অপূনবা, ওল ইন্দিয়া দলিট দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন, ওল মণিপুর দলিট দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন, শলাই ৭ কী অপূনবা মীওইশিং অমদি চীং অমদি তমদা লৈরিবা লাইফম খূদিংগী মসিবু ঙাকপীরিবা মীওইশিং অমদি মসিদা মীং পলহৌদবা লূপ খূদিংমক্কী মীওইশিং য়াওনা অচৌবা মীফম অমা নুমিৎ তরেৎনি চুপ্পা কংলা লাইফমলেন্দা অথুবদা পাঙথোক্তুনা লাওথোকপীবা পামজে। মসি নত্তবা তারবিদি ইপা ইপু অমদি তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু য়াম্না থিনা ঙাঙনহৌরগনি। মরম অদুনা তুংগী মীরোলগীদমক খনবিরগা থবক থৌরমশিং অসি মরী লৈনবা পূন্নমক্তা তান্না তিক্লদুনা অথুবদা কংলা লাইফমলেন্দা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অসি নুমিৎ তরেৎনি চুপ্পা পাঙথোকপীয়ু। মমাঙথক্তসু হায়রিবা মীফম অসি হান্নগী অমদি ঙসিগী লৈঙাক্লা পাঙথোক্লগনি হায়নদি খঙহনবিখ্রে। তৌবতবু থবক ওইনদি উৎপিদ্রি। মীফম অসি পাঙথোকপদা লৈঙাক্লা লূপ অমখক্কী ইন্টরেষ্টতা পাঙথোকপীগনু মীয়াম পূন্না ফম্মীন্নদুনা খন্ন–নৈনরগা অফবা অচুম্বা লম্বী য়াৎপীয়ু হায়দুনা হায়জরি।

মীয়ামগী মত, এদ্টিরদা থারকপা চিঠি, অতৈ–অতৈ...

লিলোং বজারদগী অরাপ্তি চংফম লম্বী

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

থৌবাল দিষ্ট্রিক্কী মনুং চন্না লৈরিবা বজারগী মখা থংবা মায়কৈদা নেম্নেল হায়ৱেগী নোংপোক পাংনা অরাপ্তি, উরুপ অমদি ক্যামগৈ মুসলিম প্রজাশিংগী চংফম ওইরিবা লম্বী অসি খূৎ থেক্তুনা পাবা ঙমদ্রবা চহী কয়াগী মমাঙদগী ঙসিফাওবদা মীয়ান্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি অসুক্কী মতীক অঙকপগী মশক্লি। লম্বীগী নাক–য়েৎতা দুকান কয়াদি মথোল–মথোল হাপকত্তুনা শাগৎনরক্লি। অরু–অহেনগী পোৎ–চৈ য়োনবা দুাকন কয়াসু ফম্নরক্লি। অদুবু লম্বীগী ফীভমদি নোংজু থাগী লৈখোম, ফাইরেল–লমতাগী উফুল, কোংকুৎ–কোংকুৎশিংগী মরক্তা অমোৎ–অকায়শিংগী পৈফম–থম্ফম...। ফীভমসিবু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মণিপুরগী করম্বা কৈথেলদা য়াওরমগদগে? অসু য়ান্না শোক্লবা লম্বীসি লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু য়েংশিনবগী ৱা লৈতে। কেন্দ্রগী মীহুৎনসু শেম্বীবগী ৱা লৈতে। লম্বীসিদগী নোংপোকলোমদা খজিক্তং চঙশিল্লগা ইরিল তুরেল মথক্তা শাবা থোংসি হেক লানশিনখিবদগী কৈরাও কেন্দ্র ওইরবনিনা কেন্দ্রসিগী মীহুৎনা শেম্ফম থোকই খনবদগী লিলোং কেন্দ্রগী মীহুৎনা শেম্বীদ্রিবরা, নৎত্রগা লম্বী মতেক অসি লিলোং কেন্দ্র ওইবনিনা কৈরাও কেন্দ্রগী মীহুৎনা শেম্ফম থোক্তে খনবদগী শেম্বীদ্রিবরা? নুং অনীগী মরক্তা হা ওইজরিবা প্রজাশিংগী ৱাহংনি। থা কয়া, চহী কয়া হৌখ্রে হৌজিকসু শেমজিনবগী মমি তাদ্রি।

অদুগা অতোপ্পা অমনা লম্বীসিগী নাক–য়েৎতা নীয়ম য়াওদনা চকা অনীগী, মরিগী গাড়ী কয়া মরোল–মরোল খামজিন্দুনা ময়াইদা মী অনী থৈনরগা খোঙনা চৎপাফাওবা অৱাবা ওইরি। করিগুম্বা অনা–অয়েক, অশি–অনাগী অথুবা খোঙচৎ অমা লাকপদা অসুক্কী মতীক খুদোংথীনিংঙাইনি। অমুকসু অযূক্কী ওফিস, স্কু ল–কলেজ কাবা, নুংথিলগী হন্নরকপা মতমদা লম্বীগী ময়াই–মতাই খঙদনা গাড়ী খামজিনবগী মথক্তা লম্বী ময়াইদসু মী চবুন–চবুন লেপশিন্দুনা ৱারী শান্নরগা অচৎপা মীওইশিংদা অপনবা পীবা, হায়রুরনা ময়াম ওমশিন্দুনা চৈগে–ফুগে তৌবা মশীং খঙদ্রে লম্বীসিদা। মতাংসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমত্তং পুখৎচরবদা— লিলোং বজারগী অনকপদা লৈবিরিবা ইকায় খুম্নজরবা ক্লব / এসোসিয়েসনশিংনা নৎত্রগা বজারসিবু চাওখৎ–থৌরাং পায়খৎপীরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা য়ান্না পূকচেল চাউবা মিৎয়েং অমত্তং চঙবিরগা গাড়ীশিং অসি নাকল অমত্তদা পার্ক তৌহনবিদুনা মতম চূপ্পগী ওইবা চৎন–পথাপ অমা শেম্বীরবদি লম্বী চিনবগী অৱাবসি খরা শাফগদ্রা খঞ্জে।

অরোইবদা কনানসু য়েংশিনবিদ্রবা, কনানসু ৱাকৎপিদ্রবা লম্বী মতেক অসি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লিলোং অমদি কৈরাও কেন্দ্রগী এমএলএশিং পূন্না খন্নবিরগা কয়লা ফজনা অমুক্তং থাবিরবদি লাইফ–লাইন ওইনা চৎচরিবা প্রজাশিংগী অৱাবসি শোয়দনা কোক্কনি খঞ্জে।

অদোমগী — নাওরেম গৌরহরি সিংহ, অরাপ্তি

মীতোপ খন্দোকপগী দ্রাইভ

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হন্দক মণিপুরগী লোকেল পেপর খরদা হন্দক মীতোপ খন্দোকপগী দ্রাইভ চঙশিনবা হৌরে, নন–লোকেলশিং হলনখিনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়বগী পাউ অমা থেংনখিবদুদা মণিপুরগী প্রজাশিংগী পুক্লিংদা য়ান্না পেন্দবা ফাওনখি। জেসিআইএলপিএস নৎত্রগা পুলিসন নৎত্রগা কনাগুম্বা খরনা শক্তাক–চেনচিংবা আইনগী মতুংইন্না দরকার ওইবা চে–চাং মতীক চানা পায়দবা মীওইশিং খন্দোকপগী দ্রাইভ তৌন–তৌনা অদুম চঙশিল্লক্কনি। দ্রাইভ অসি লেপ্পসু য়াওরুরি, দ্রাইভ অসি পুমলেপ লেপথোকখ্রবদি কমদৌগনি। মতম অমদা নিশা বন্দনা মণিপুর তম্পাক্কী মফম খূদিংমক্তা নিশা বন্দ লিংখৎতুনা চহী য়ান্না কুইনা য়ু শুংবা, নিশা য়োনবা অমসুং থকপা–চাবা ফাদুনা কন্না লাঙ্হেংনরম্মী। চহী খূদিংগী ফাবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। থিংবা অমদি ফাবনা মরম ওইদুনা শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপা লেপখিদুনা ফানিংঙাই লৈরক্তবা হায়বদু ওইখিদে। হেন্না–হেন্নদুম শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপা হেনগৎলক্তুনা নিশা বন্দশিংসু লাঙ্হেংনবা ৱারক্তুনা লোইনা তোক্লখ্রে। নিশা বন্দগী মমিংসু মাঙখ্রবগুম্লে। মদুগী মতুংদা ইরমদম অসিদা নিশা থিংনবগী পান্দমদা ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন খরা থোরকখি। মখোয়নসু নিশা থিংনবগীদমক অখাকপা লৈতনা হোৎনরম্মী, লাঙ্হেংনরম্মী। অদুবু মদুগী মহয়দি কয়া য়ানবা ঙমদনা লাক্লি। হৌজিক্তি ইরমদম অসিদা নিশা থিংবগী থবক অসি অঙাংনা শান্নবগুম তৌরে লৈঙাক্লসু, লন্নাই লূপশিংনসু। ঙাইহাক–ঙাইহাক্কী ওইনা তৌনরম্লগা তোক্লরে। অসিগুম্বা থিংবগী থবক অসি চহী কুন–কুম্ভ্রা লেপ্তুনা চখরবদি মায় পাক্কনি খল্লি।

থিংনা–থিংনা নিশা চাবা, য়োনবা শুংবা মশীং হেনগৎলকপগুম লমদম অসিদা মীতোপ খন্দোকপগী দাইভতসু মীতোপশিং ফার–ফারগা মীতোপ চংশিল্লকপগী চাং হেনগৎলকপগুম তৌরি। মরক অসিদা হন্দক মরক মণিপুরদা নন–লোকেলশিংনা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকহল্লকপগী পাউসু লৈনখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক থোক্লবা মতাংদতা থবক লৌখৎপা, দ্রাইভ চথবা অসিদি মতম মাঙগনি, শেল তিংগনি, চোকথবা নাইরক্কনি। অদুনা মতীক চাবা চে–চাং পায়দবশিংবু পুশিল্লক্লিবা গাড়ী দ্রাইভর, শীজিন্নরল্লিবা ঠিকাদার অমসুং মখোয়বু ভারাদা লৈহল্লল্লিবা য়ুম্পুশিংবু ফাইন চাউনা–চাউনা থিহল্লবা অমদি য়ারোই হায়বগী অহকপা চৈরাক পীরবদি য়াদে খঙদুনা পুশিল্লক্লরোই, চংলক্লরোই। পানবা য়াবা এক্ত পান্দুনা অরুবা দন্দি পীগদবনি নৎত্রবদি লোইবা খম্বা নাইদনা দ্রাইভ তৌদুনসু লৈবা চংলকপা, লৈশিনখিবসু হেনজিল্লক্কনি। লৈরিবা আইননা মতীক চাদ্রবসু অকনবা আইন শেমদুনা অকনবা চৈরাক পীরবদি মীতোপ খন্দোকপগী দ্রাইভ লেপ্পা য়ারক্কনি। অদু নৎত্রবদি লৈবাক অসি ইংনা–চীক্লা পানবা ঙল্লোই। লমদম অসিগী য়াইফনবা থবক্তি লমদম অসিগী লৈঙাকপশিংনা মাঙজিল থানা পাঙথোক্কদবনি।

অদোমগী — ৱাহেংবাম মতুম সিংহ, বিষ্ণুপুর

দিজল ওটোগী মতাংদা ৱাফম অমা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

অফবা থবক হায়বসি মীপূম খূদিংমক্লসু পান্নে। অদুবু হংনিংলিবা ৱাহংদি থবক অদুগী মহয়দি তৌরিবা অদুনা ফংগদ্রা থবক অদুবু তৌহল্লিবা মহাক অদুনা ফংগদ্রা? লৈবাক অসিগী নুংঙাই য়াইফবা পুরক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী হৈ–শিংবসু য়ান্না মরু ওই। চহী খূদিংগী লাইরিক–লাইশু হৈরবা নহারোল খূদিংমক গভর্ণমেন্টকী থবক ফংহনবা ওইথোক্তবনি। মরম অসিনা মশানা মশাবু থবক পীহনবগী খোঙথাং কয়ামকু লৌখৎতুনা মখল কয়ামুক্কী লোন পীবিরি। মখলশিং অদুগী মনুংদা দিজল ওটোসু অমনি। দিজল ওটো থৌদুনা হিংনবগী লম্বী শেম্বিখিবা, লম্বী অদুদা চৎলিবা নহারোল লীশিং কয়াগী ইমুং–মনুংগী অৱাবা কোকহনখিবা য়ান্না মশক থোকপা খোঙথাংনি হায়না থমজগে। থৌশিং অসিবু হৌদোরকপদা লম্বী লমদাং চাদবা মফম, কাচিন কোয়া য়ৌনা দিজল ওটোনা মীয়ামগী সেবা তৌবা হৌরকখি। খোঙনা শাংনা–শাংনা চত্তুনা গাড়ী তোংবগী খুদোংচাদবা কয়া অমা কোকহনবা ঙম্লকপদা মীয়ান্না থৌশিল অসিদা থৌগায় ওইরিবশিংগী থাদোকপা ঙমদ্রবা লায়না অমসু লৈজে। মদুদি তৌরিবা থবক অদুদগী মখোয়গী কান্নবা খরদি ফংহৌদবা য়াদে হায়দুনা। গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরে হায়দুনা সোসাইটি কয়াদা রেজিষ্টার তৌহল্লে, সোসাইটিগী খূত্থাংদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা টেম্পররি পার্মিট কয়া অমা শাদুনা অমদি অনৌবা রুট মমিং কয়া থোদুনা দিজল ওটো অমদি টাটা মেজিক চেলহনখি। মতম অদুদা সোসাইটি অমদি ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট পূন্না ফমিন্নদুনা রুট অদুদা গাড়ী কয়াগী তঙাইফদবা লৈ হায়বদু নীংথিনা শিনবা অমদি অকক্লবা অমা থল্লগা শিনবা ওইরবদি ঙসিগী মশীং য়াম্লবা গাড়ীগী কন্ট্রোল ৱাংমদা লৈরিবা অসি লৈরম্লোই হায়না থমজগে। হৌজিকসু মতম লৈরি, তৌগে খল্লবদি থিংবা ঙমগনি। অদু ওইরবদি নোইজ পোলুসন অমদি এয়র পোলুসনসু থিংবদসু চাউনা মতেং পাংগনি খল্লি। অদু নৎত্রবদি লমদম অসিদা নোইজ পোলুসন অমদি এয়র পোলুসনগী চাং হেনগৎলক্তুনা লমদম অসিগী ইকোলোজিকেলদা য়ান্না কায়রক্তুনা খুদোংথিবা কয়া থোরকপদা চাউনা মতেং পাংগনি খল্লি। মসিগী মথক্তা চেল্লিবা দিজল ওটোশিংনা মশা–মশাগী পার্কিংদা চংদুনা খান্নবদি লম্বী মচিন ওইবা ৱাহেং লৈরকায়দা চিল্লিবা অমদি লাংলিবা অসি খরদি শোয়দনা হহ্ণগনি। মসিগা লোয়ননা গ্যাস হোর্ন খোংবসু থিংবা ফৈ, গাড়ী মচাশিংনা কম্পনিগী সাইলেন্সর লৌথোক্লগা মখোয় হৌহনবসু থিংবা ফগনি। অমরোমদা মশীং য়াম্লবা দিজল ওটো খূদিংমক মখোয়না পায়রিবা পার্মিট অদু অশেংবরা শেংদবরা হায়বদু অমুক্তং চেক তৌবিয়ু। পার্মিট অমনা ফোটোষ্টেট তৌদুনা গাড়ী কয়া অমা চেল্লি হায়নৈ। মরম অদুনা ওরিজিনেল কপি পায়হন্দুনা চেল্লিবা অসিদগী কোক্লবা লম্বী অমত্তং য়েংবিয়ু।

অদোমগী — নবচন্দ্র নেপ্রম, লংথবাল